# লমদম অসিদা হৌজিক ওইরিবা তংদু-লৈতাদবা মতম অসিদা কংকুপ (Wolffia) পীজদুনা শেল চঙদবা মওংদা ঙা য়োকপা

ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ

Wolffia (কংকুপ) গী মখলশিং অসি ৱাটর মিল (Water Meal) হায়না খঙনৈ। Water Meal হায়রিবা কংকুপ মখল অসি Duck Weed মখলশিংগী মনুংদা অমনি। Wolffia হায়রিবা পান্বী মখল অসি মপাল শাৎপা পান্বীশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী পীকপা পান্বী মখল অমনি। মালেমগী মফম অয়ান্বদা ফংবা পান্বী মখল অসি ঈশিংগী মথক থংবা শরুক্তা তাওদুনা হৌই। মরু ওইনা তুংদুনা লৈবা ঈশিং খুদম ওইনা হায়রবদা পুখ্রি, পাৎ অমদি খোংবালনচিংবদা হৌই। হায়রিবা পান্বী অসি মসা, মরূ অমদি মনা পান্দে। পান্বী অসি য়েরূম মওং মাল্লি অমদি ঈশিংগী ঈমাইদা তাওদুনা হৌই। মসা, মনানচিংবা খাইদোক্তবা মরম্না অয়ান্বা মতমদা ভেজিটেটিভ প্রোপেগেসনগী মতেংনা ধারা শন্দোকই। মরক মরক্তা লৈ শাৎলি। হায়রিবা পান্বী অসি নুমিৎ নীনিগী মনুংদা হায়বদি চাওরাক্লা পুং ৪৮গী মনুংদা হান্না লৈরল্লিবা অদুগী শরুক অনী পুথোকপা ঙম্মী। মরম অদুনা ঈশিংগী ঈমাই অসি অথুবা মতমদা কুপশিনবা ঙম্মী। কংকুপ মখল অসি ঙাদা পীজবদা য়াম্না কান্নগনি। মরমদি পান্বীশিং অসিদা প্রোতিনগী চাং য়াম্না ৱাংনা য়াওই। চাওরাক্লা চাদা ৩০দগী ৪০ ফাওবা য়াওই। ইসেন্সিএল এমাইনো এসিদসু মরাং কায়না য়াওই অমদি হৌজিক্কী মীওইশিংনা য়াম্না পাম্নরিবা অমদি য়াম্না তাঙনা ফংবা ওমেগা-৩ ফেটি এসিদসু মরাং কায়না য়াওই। লাইশিন অমদি মেথিওনিনগী চাংসু অতোপ্পা পান্বীশিংদগী য়াম্না হেন্না য়াওবা মরম্না শা-ঙাশিংদা য়াওবা প্রোটিনগা য়াম্না মান্নে। মসিদসু নত্তনা পান্বীদা য়াওবা এন্টি-ন্যুত্রিসনেল ভেল্যু য়াম্না নেম্মী। হায়রিবা কংকুপ মখল অসি অতেনবা মতমদা মচা য়াম্না পোকপা মরম্না য়াম্না থুনা হায়বদি অতেনবা মতমদা য়াম্না পুথোকপা ঙম্মী। কংকুপ মখল অসি শীজিন্নরবদি ঙা মচিঞ্জাক শেন্বদা প্রোটিনগী শরুক ওইগদৌরিবা ফিস মিল নৎত্রগা নুংহৱাইগী মহুৎ শিন্দুনা ঙা মচিঞ্জাক্তা চঙগদৌবা শেল য়াম্না হন্থহনবা ঙম্মী।

মথক্তা পঞ্ঙখ্রিবা ৱোলফিয়া হায়রিবা কংকুপ মখল অসি মণিপুরদা হান্নদগী মরাং কায়না ফংজবা কংকুপ মখল অমনি। তৌইগুম্বসুং মসিগী শীজিন্নফম থিজিল্লুদবনা কনামতনা মসিবু য়োকখৎলুনবা হোৎনরুদবনা হৌজিক্তি য়াম্না তাঙনা ফংই। মরম অদুনা হায়রিবা কংকুপ মখল অসি থেংনবীরবদি য়োক্লগা মসিগী কান্নবা ময়াম লৌননবা হোৎনমিন্নরসি। ৱোলফিয়া হায়রিবা কংকুপ মখল অসিদি য়াম্না পীকমনখিবনা য়েংবদা কং মান্দে হায়বদি ঈশংগুম্বা উগনি। খূৎনা পায়রগা য়েংবা মতমদসু লৈঙোইগুম্না মুরুম মুরুম ওইনা ফাওগনি। পান্বী মখল অসি পান্বী ওইনা উদবা অমদি মহাওসু পান্বীগী মহাওদগী তোঙানবা মরম্না ঙা অয়ান্বনা পাম্না চাই। তৌইগুম্বসুং নাপীচাবা ঙাশিংনা হেন্না পাম্না চাই। মচল শুনা শেন্লবা মচিঞ্জাক পীজবনা ঙানা কংকুপখক পীজবা ঙাদগী হেন্না থুনা চাওগনি অদুবু কংকুপ (ৱোলফিয়া) তঙ্খাই অদুগা মচল শুনা শেন্লবা মচিঞ্জাক তঙ্খাই য়ানশিন্নদুনা পীজরবদি মচল শুনা শেন্লবা মচিঞ্জাক ঙাক্তা পীজবগা খেন্নরোই। তৌইগুম্বসুং মচল শুনা শেন্লবা মচিঞ্জাক অসিদি মমল য়াম্না ৱাংবা মরম্না কংকুপ পীজবনা হেন্না কান্নগনি। হায়রিবা কংকুপ অসি কংহল্লবা মতুংদা ঙাগী মচিঞ্জাক শেন্বা মতমদা দরকার ওইবা প্রোতিনগী চাং য়েংদুনা হাপ্পীবসু য়াই।

কংকুপ মখল অসি য়াম্না থুনা শন্দোকপা ঙন্বা মরম্না পুখ্রি খরদা য়োকপীদুনা নোংমনা পুখ্রি অমদগী কোৎলগা ঙাদা পীজবা অদুগা নোংমনা অতোপ্পা পুখ্রি অমদগী কোৎলগা ঙাদা পীজবা য়াই। ঙা য়োকপা মতমদা চঙবা শেলগী চাদা ৬০দগী ৭০দি ঙাগী মচিঞ্জাক্তা থাদগদবনি নৎত্রবদি ঐখোয়না পাল্লিবা ঙাগী পোথোক অদু ফংবা ঙম্লোই। অদুগীসু মথক্তা মণিপুরদা ঙা মচিঞ্জাক পুথোক্লবা ফিদ মিলসু মরাং কাইনা লৈতবনিনা মপান লমগী মচিঞ্জাক্তা মীপান তাংবা তঙাইফদবা অমা ওইরি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফীভম অসিনা ঙা মচিঞ্জাক পুশিল্লকপা অমদি পুথোক পুশিন তৌবদা খুদোং চাদবা কয়া মায়োক্লুরগনি। মরম অদুনা শেল ইচং চঙদবা মওংদা কংকুপ য়োক্তুনা পীজবীরবদি ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবদা নত্তনা ঙামীশিংগী শেন্দোংসু হেন্না লৈহন্দুনা নুংঙাই য়াইফবা খুন্নাই অমা পুরকপদা থৌদাং খরদা ওইরবসু লৌবা ঙমগনি।

মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা অমদি ৱোলফিয়া হায়রিবা কংকুপ মখল অসি ঙা খক্তা নত্তনা অতোপ্পা জীবশিং অমদি মীওইবগী য়াম্না ফবা চিঞ্জাক অমা ওইরক্কদৌরিবা পান্বী অমনি। মতম কয়াগী মমাঙদগী এসিয়াগী লৈবাক খরা খুদম ওইনা হায়রবদা লাওজ, থাইলেন্দ অমদি ম্যান্মারনচিংবদা অফবা চিঞ্জাক মখল অমা ওইনা চানরক্লি। মালেমগী চিঞ্জাক্কী দরকার ওইবা অসি চহী খুদিংগী অসুম অসুম হেনগৎলকপা অমদি শা চাবা য়ারক্তবা মীওইগী চাং অসুম অসুম হেনগৎলকপা মরম্না অতোপ্পা অফবা প্রোটিন হায়দুনা থিনরকপদা ৱেলফিয়া অসিনা খ্বাইদগী চান্নবা অমদি লায়না পুথোকপা য়াবা মরম্না মতম খরগী মতুংদা হায়রিবা কংকুপ মখল অসি য়োকপা অমদি মখল কয়াগী চান্নবা পোৎশক শেন্বদা শুংশোয় শোয়দনা য়াওরক্লগনি। মরমশিং অসি লৈবনা হায়রিবা কংকুপ অসি য়োকপীদুনা অচৌবা শেনফম কয়া তানবা য়াবা পান্বে অমা ওইরক্লগনি। মসিগীসু মথক্তা মালেমগী ওইনা লাঞ্জাও কয়া থোক্লকপা, চাননবা চিঞ্জাক লৈরক্তবা মতমদা অতেনবা মতমদা পুথোকপা য়াবা অমদি ঐখোয়দা মচি ওইগদবা মচলশিং মরাং কায়না য়াওবা চিঞ্জাক হায়না থিরকপা মতমদা ৱোলফিয়া অসিনা খ্বাইদগী চানবা চিঞ্জাক অমা ওইরক্লগনি। ওইরকপা য়াবশিং অসি মাঙজৌননা খঙমিন্নদুনা লৈঙাক্কী অমদি লন্নাই মীওই কয়াগী পূক্লিং চিংশিঞ্জদুনা লমদম অসিগী অচৌবা কান্নবা ফংননবা হোৎনমিন্নরসি। ●

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### ঐখোয় অমুক্তংদি খন্থমিন্নসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

হৌখিবা মে ৩, ২০২৩দা কাঙলূপ-ফুরুপ অনীগী মরক্তা খঙহৌদনা থোকখিবা হিংশা য়াওবা থৌদোকশিংদা ময়ূম মকৈ, সনা-লুপা, মাল চাং কয়া মৈনা তুম্না থাদোকপীখ্রবা অমদি মমল য়াল্লবা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখিবতা নত্তনা অশোক অপন নংলবা মীওই কয়াগী তেংথা খোঞ্জেলনা ঙসিসু মফম কয়াদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা অৱাবা কয়াগা লোয়নননা লেল্লি। মণিপুরদা হৌখিবা থা কয়াগী মমাঙদগী নোং চুরক্তবনা ঈশিংগী অৱাবা কয়া মায়োক্নুরিঙৈ তাল্লক্তা অসিগুম্বা থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোরকপসিনা মীয়ামদা অমুক্কা হেন্না অৱাবা নংহল্লে। মণিপুরগী লোইজিং লোইয়া চীংখোঙ চীংয়াদা তাবা মৈতৈ খুল কয়াগী য়ূম কৈ কুকি লালহৌবশিংনা মৈ থাদোকখিবদগী খুল/খুলশিং ঙাক শেন্নবগী অহিং কয়া তুমিৎ কাং মরক্তা চাবা-তূম্বা মতম নাইদবদগী অনা অয়েক য়াওরকপা অসিগুম্না কুকি লালহৌবশিং অমদি লমহেন তুহেনবা কয়ানা কুকিগীসু চমজরবা মীওই কয়া অৱাফমদা তাহন্দুনা নুংশি চান্ননা হিংন্নিরম্বা কাঙলূপ অনীগী মরক্তা খাইবুং খাইবুং তাহন্দুনা থুগাইনবা হোৎনরিবশিং অসিদা কুকিগী অখণ্ড অহেশিংনা ৱাখল তাহনবা অমা চঙই। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা দিভাইদ এন্দ রুল শান্নদুনা মণিপুরদা কাঙলূপ মশেল অমগা অমগা হাৎন-শুনদুনা নীংখা তন্বগী লালহৌগী ঈহৌ লোইশিন্নবা হোৎনরকপদা মীচম মীয়ামদা বলিগী হামেং তাহন্নবা হোৎনরকপা চেকশিন্নীংঙাইনি। কাঙলূপ মশেল হাৎনহল্লগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকীদি মাঙজবা লৈতে, তোংজবা থিরকপনি। হন্দক্কী কাঙলূপকী ওইবা থৌদোক অসিসু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা নাকল নাম্মদা তোংশিল্লগা ৱাথোক অসি হেন্না চাওথোরক্লবা শিনবগী মমি চাউনা তারিবসিনি।

থা অসিগী ৩দগী থোক্লকখিবা থৌদোক নুমিৎ ২৪নি হেল্লবা ফাওবা মণিপুর লৈঙাক অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লোইশিন্নবা হোৎনদ্রিবা করিগীনো। কাঙলূপ অমগীদি শান্তি ওইনা লৈমিন্নবা আপীল তৌরি নাকল অমরোমগীদি খোঙফম হন্দোক্তবসি মসিগী মরুমদা কনা কনা লৈ হায়বসি খঙমিন্নবা চঙই। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পুকচেল শেংনা হোৎনরবদি মীকুপ খরদা শান্তি ওইনা হঞ্জিনবদা অরুবা ওইরোই খল্লি। হৌজিক লৌউ-শিংউ পান্থা ওইরকপনা চীং অমদি তম্পাক্কী মফম কয়াদা লৌমীশিংনা চহী অমগী চাননবা পোত্থোক পুথোক্লবা থবক কন্না শুবা মতমনি। লাইবক থীবদি থোকহন্নীংদবা থৌদোক্তা কাঙলূপ অনীমক্কী ময়ূম মকৈ তুম্না মাঙ তাকখ্রবশিং লৈঙাক্লা অথুবদা শেমগৎ শাগৎপীদুনা হান্নগী ফীভমদা অমুক হঞ্জিহন্দুনা তংদু লৈতাবা পুন্সি মরেল অমদা পূন্না নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা হোৎনমিন্নবা চংই। কাঙলূপ অনীমক্কী মীচমশিংনদি হাৎন-শুনবা, ঈ-নাই তান্নবগী থবক অমত্তা পামদবগা লোয়নননা নোংমৈ মচিন্দা মীচমশিং হূমদুনা পুরিবশিংনসু ঐ-ঐগী ইমা ইপা, ইচে ইচল, করিসু খঙজদ্রিবা অঙাং নাৱাশিংগী খনবীরগা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী শরৌ লাংদা থুদনবা পূন্না ৱাখল তামিন্নরবদি শান্তি ওইনা হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিনবা ঙমগনি।

**অদোমগী - য়ূমখাইবম ইনাওচা লুৱাং, তোপ মখা লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট**

### পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং অসি হলহনখিবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইরোইদ্রা?

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

কুকি মিলিটেন্টকী ঈরাংনা মরম ওইরগা লাঞ্জেন্নরক্লিবা ময়ূম মকৈ লৈজদ্রবা মীওইশিং অসি হৌজিক হৌজিকমক্কী ওইনদি লৈকায়-লৈকায়, খুল-খুলশিং অমদি অতৈ সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী মায়কৈদগী খুদক্কী ওইবা রিলিফকী তেংবাঙশিং পীদুনা লাক্লি। ঙসিগা থানা নুমিৎ ২৬নি শুরক্লবা ফাওবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করি করম্বা পোলিসি প্রোগ্রাম য়াৎলগা থম্বীরবগে? মীয়ামদা ফোঙদোকপা য়াদবা ওইরবসু থোয়না অকায়বদি লৈতে। তৌবতবু অদুগুম্বা পোলিসি প্রোগ্রাম অদু থবক ওইনা লৈবাক্কী চিরবা তাঞ্জা অসিদা উৎথোকপীবনা লমদম অসিগী মীয়ামগী মরু ওইনা লাঞ্জেন্নরক্লিবা ময়ূম মকৈ থুগাইবীখ্রবা অমদি মৈ থাদোকপীখ্রবা রিলিফ কেম্পতা শৈদাংদুনা লৈরিবা থৱায়শিং অদুনা পেনবীগদ্রা হায়না খঞ্জে। অসুম তৌনা থা অমা ফাজিল্লক্কদৌরবা ঈরাং অসিসু পুমনেম নেমথখিদুনা অমুক হন্না ঈংনা চিক্লা খুন্দা লৈতাহনবসু ঙমদ্রিবনিনা রিলিফ কেম্পতা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মখোয়দা লোকল ক্লব, লূপ অমদি অতৈ সী এস ওশিংনা কয়াম কুইনা লেপ্পা লৈতনা রিলিফকী তেংবাঙ পীবা ঙমগদৌরিবগে? মরকসিদা লমদম অসিগী ইকায়খুম্নজরিবা এম এল এ খরসু তেংবাঙগী পোৎলমশিং পীরক্তবদি নত্তে। হেন্না ঙক্লিবদি অতৈ অতোপ্পা লেমহৌরিবা এম এল এশিং করি তৌদুনা লৈবীরিবগে? অমুক্কসু হেন্না ঙক্লিবনা লৈঙাক্লা নেসনল দিজাষ্টর রিলিফ ফন্দ নৎত্রগা ষ্টেট দিজাষ্টর রিলিফ ফন্দগী শেনফমশিং শীজিন্নদুনা খুদক্কী ওইবা তেংবাঙ পীননবা হোৎনবীদ্রিবসিমসু লৈঙাক্কী ওইবা করম্বা অরোনবা এজেন্দা লৈরবজাৎনো। তশেংনা এন দি আর এফকী নৎত্রগা এস দি আর এফকী ফন্দ শুকলৈমক লৈত্রগদি লৈঙাক্কী এম এল এগী থা অমগী তোলোপ অমদি লৈঙাক অসিবু চলাইনবা লৈরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী শিন্মী ৭০,০০০, পেন্সনর ৩৫,০০০ অসিগী নোংমগী খূৎশুমল দান তৌহন্দুনা অৱা অনা তারবশিংগী থৱায়শিং অসিবু কনবীনবা হোৎনবা য়াদবজাৎলা? ইকায়খুম্নজরিবা এম এল এগী লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দগী ফুরিৎখাওসিবু তিঙ্খং য়াওরবজাৎলা? মসিসু নৎত্রগা নিংথৌ ওইরবা নৎত্রগা ফম্নাইবা ওইরগদি নুপী ৩/৪ লোন্দবা য়াদে হায়বগী নিংথৌশিং অমদি ফম্নাইবশিংনা চৎনরম্বা চৎনবীদুগী তুং ইল্লুবনা লৈবাক মীয়ামগীদমক্তনি হায়দুনা কায়থোক্লকপা অহেনবা শেনফম লৈত্রবজাৎলা।

নাকল অমরোমদনা অমুক নোংমা কাংদে খূৎলায় মতিক চানা পায়বা কুকি মিলিটেন্টশিংনা তরক তরক তাজবা মৈতৈ খুলশিংদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা, ময়ূম মকৈ মৈ থাদোকপা, লুট পাট তৌদুনা য়ূমদা লোয়জবা ওক, য়েন, ষণনচিংবা হুরানবসু লেপ্পা লৈত্রি। দবল বেরেল, সিঙ্গল বেরেল ১/২ খক পায়জদুনা মশা মশাগী খুল ঙাকচরিবা মখোয়গী থৌনাদুবুসু থাগৎতবা ঙমজদে। মখোয়বু প্রোটেক্সন পীননবা কৌশিনখিবা পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংনা কুকি মিলিটেন্টশিং অমদি মৈতৈ খুঞ্জাশিংনা খূৎ থোক্লরকপা মতমদা তূমিন্না উচুক য়ুংবগুম য়েংদুনা লৈরে হায়না তারক্লিবা অসি ঙসি ঙরাংতগী নত্তে। অসিদসু নত্তনা তম্পাক্তদি খুল ঙাক্লবনি হায়না কৌথোক্লুরিবা পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং অসিনসু ঈরাং শাগৎলক্লিবা কুকি মিলিটেন্টশিং অদুবু লাকশিন্ননবা হোৎনবগী মহুত্তা ইসেন্সিএল সর্ভিসকী মথৌ তৌজরিবা মীওইশিংদা নত্তনা প্রেস মীদিয়াগী শিন্মীশিংদা ফাওবা ওনশিন্দুনা খূৎ থারক্লিবসিমসু অনৌবা নত্তে।

অসিদসু নত্তনা ঙরাং ফৌগাকচাও ইখাই মখা লৈকায়দা মৈতৈগী য়ূম ২৫ কুকি মিলিটেন্টশিংনা মৈ থাদোকখিবদুবু কন্ননবা চঙখিবা ষ্টেট ফোর্সশিংবু থিংদুনা থল্লগা শুপ্নগী ব্লেঙ্ক ফায়রদমক তৌদুনা লৈরগা কুকি মিলিটেন্টশিংদা মৈ থাদোকহনখিবদুবু আর্টিকল ৩৫৫গী শুট এট সাইট হায়বগী ওর্দরসু কদায়দা লৈখ্রবগে। আর্টিকল ৩৫৫না পীরিবা শুট এট সাইটকী ওর্দর অসিবু তম্পাক্তা লৈরিবা মৈতৈ মচাশিংখক্তদা ওনশিল্লগা কাপননবা ওর্দররা? মসিনা অচুম্বা ওইবা তারবদি পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং অসি হলহনখিবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইরোইদ্রা?

**অদোমগী - আর কে বাসুমনি, শীংজমৈ ওক্রম লৈকায়, ইম্ফাল**

## ষ্টেটকী পাউ

### নুমিদাংংদা টিদ্দিম লম্বী অমদি উরিপোক কাঙচুপ রোদতা মীয়াম্না পিছ রেল্লি চৎখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ৩ দগী চত্থরক্লিবা মীচম মীয়ামদা খুৎলায় পায়বা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চত্থরক্লিবা অমদি মণিপুরগী এম এল এ তরানা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম থুগায়নবা হোৎনরিবা অসিগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি নুমিদাং টিদ্দিম লম্বী অমদি উরিপোক কাংচুপ রোদতা মীয়াম্না খুৎতা মৈরা পায়দুনা রেল্লি চৎখ্রে।

থৌদা ভাবক লৈকায় মৈরা পায়বী অমদি ঙানপিথোং লৈকায় মৈরা পায়বীনা পুন্না শীন্দুনা চৎখিবা রেল্লি অদু থৌদা ভাবক লৈকায়দগী হৌরগা ক্বাকৈথেল ফাওবা মীওই চা কয়ানা শরুক য়াদুনা পিছ রেল্লি চৎখি। মীয়ামগী খোঙচৎ অদুনা কৈশাম্পাৎ তম্না লাকপদা পুলিসনা অথিংবা পীবদগী মীয়ামগী খোঙচৎ অদু মখা পাঙনা অমুক লাক্তুনা থৌদা ভাবক লৈকায়দা লোইশিনখি।

রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবী নুপী অমনা ফোঙদোরকপদা লমদমসিদা চহী কয়াদগী কাঙলূপ, ফুরুপ ৩৪ না নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরকপনি। অদুবু মণিপুরগী মপানদগী লাকপা চিন কুকিশিংনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম থুগায়নবা মখোয়না লৈঙাক্লাসূ তৌনরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংগা মান্নরগা মীচম মীয়ামগী ময়ুম মকৈ মৈ থাদোকপা, পোৎ চৈ ময়াম অমা লূট তৌবদা নত্তনা মৈ থাদুনা মাঙহনবা, খুৎলায় পায়দবা মীচমদা ওনশিন্দুনা টেররিষ্টকী থৌওং চত্থরকপা অসিনা মখোয়বু টেররিষ্ট নত্তে হায়দবা ঙমদে। মরম অদুনা লমদম অসিদা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংনা অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা আপিল তৌখি।



অমরোমদা, উরিপোক কাঙচুপ লম্বীদসু উরিপোক এরিয়াগী তোঙান তোঙানবদগী থোরকপা মৈরা পায়বীশিংনা ঙসি নুমিদাং মৈরা রেল্লি লাকপদা পুলিসকা মুক্নখি। মতুংদা মীয়ামগী খোঙচৎ অদু শান্তি ওইনা হনখ্রবা মতুংদা টিদ্দিম লম্বী অমদি উরিপোক কাঙচুপ রোদ লম্বীদা মীওই খরনা লম্বীদা উ ৱা ফৈজিন্দুনা মৈ থারকপদগী লম্বী চৎপশিংদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লকপদগী পুলিস, আর এ এফ অমদি আর্মি য়াওনা লম্বীদা মৈ থারম্বশিং তকথায়খি। লোয়ননা মী পুল্লম্বা মফমশিংদা টিয়র গ্যাসশিং কাপশিন্দুনা তানখায়খি।

ক্বাকৈথেল ট্রাফিক আইলেন্দ অমদি টিদ্দিম লম্বীগী সঙাইপ্রৌ ক্রোসিং লম্বীদা থৎতুনা মৈ থারম্বশিং কম্বাইন্দ ফোর্সনা তানখায়খি।

মসিদা নত্তনা নেসনেল হায়ৱে নম্বর ১০২ মোইরাংখোমদগীনা লিলোং ফাওবগী লম্বীদসু তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা কার্ফিয়ু থুগায়দুনা লম্বীদা উ ৱা ফৈজিন্দুনা অমদি গাড়ী টয়ার অমনবা পুথোক্তুনা মৈ থাবনচিংবা থিংখি। মসিদা মথৌ তৌরিবা মীওই কয়াদা চখোক চৎশিনদা অপনবা পীবনা মরম ওইদুনা মণিপুরগী চীংগা তাইনবা তম্পাক লমগী এরিয়াশিংদা সেক্যুরিটি ফোর্স অমদি মণিপুর পুলিস কম্মান্দো, আই আর বি অমদি রেপিদ এক্সন ফোর্স লোয়ননা ফায়র বৃগেদনচিংবদা অপনবা পীবিদনবা মীওই কয়ানসু আপিল তৌরি।

### মীয়ামগা লোয়ননা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়দনা হোৎনগনি: কেবা

**ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ৩ দগী চত্থরক্লিবা কাঙলূপ নাইবা ইরাংনা মরম ওইদুনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম থুগায়নবা হোৎনরক্লিবা য়াম্না থম্মোয় শোকপা থৌদোক অসি পুন্সিদা অমুক্তা থেংনরক্ত্রি। মীয়ামগা লোয়ননা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়দনবা হোৎনগনি হায়না পাৎসোই এসিগী এম এল এ সাপম কেবানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি তেরা সাপম লৈরক্তা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা এসি অসিগী মীয়ামগা লোয়ননা পুন্না ফম্মিন্নরবা মতুংদা মহাক্কী থম্মোয়গী পাউদম পাউমীশিংগা উন্নবদা মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা হায়ফম তৌফম খঙদবা চৈনা অমা মঙোন্দা য়াওই।

ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়হল্লোই। মণিপুরদা তংদু লৈতানা লৈহনগনি হায়দুনা লাক্লবসু ঙসি ঙসিমক চত্থরিবা অসিনদি মহাক মশামক চিংনবা অমা ফাওরে।

মহাক এম এল এ অমা ওইনা পার্টি অমা ওইনা তোঙান্না থমখ্রগা ইশামক মণিপুরী অমা ওইনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম শিংনরকপদি য়ারোই। মসি চপ চানা মীয়ামগা লোয়ননা থেংনমিন্নবা হোৎনগনি হায়খি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৬**

১) **‘‘ঈচেলদুগী মতাইদা’’** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

২) **‘‘মসিদা এডুকেসন দিপার্টমেন্টনা শন্দোকপা সিলেবাসগী মতুংইন্না লোন তম্বীবগা লোঈননা হৌনবী অমসুং রাজভক্তি তম্বীবা হাঈবা অদু ঙম্বমখে কাঈদনবা ঙাকচরি’’** মণিপুরগী খূৎমাবা ৱাক্মা অমনা ইবা লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা ফোঙদোকপা ৱাহৈ খরনি। ৱাক্মা অসি কনানো অমদি ৱাহৌদোক অসিদা য়াওরিবা লাইরিক অসি করিনো?

৩) **‘‘দাদীবুধা’’** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৪) **‘‘অমেরিকাগী ঈশৈ’’** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) **‘‘নঙগী ৱারী’’** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

**ACI SCHOOL**

(A Co_ Educational Higher Sec. School affiliated to COHSEM)

Vide order No.1/96/96/-HSC(Vol.VIII)

Kwakeithel Akham Leikai, near Kwakeithel Bazar

RUN BY ADVANCED COACHING INSTITUTE, IMPHAL

ADMISSION OPEN for Class XI Science and Arts (CBSE and Other Boards)

*Special Offers for present situation*

1. No admission fee for Riot Victim Students FREE (Hostel admission + First two months Hostel fee)
2. *No ADMISSION FEE FOR FIRST 50 STUDENTS*
3. No admission fee for Former student's family OF ADVANCED COACHING INSTITUTE

SUBJECT OFFERED FOR science : General English, Alt.English, Manipuri, Physics, chemistry, Biology, MathEmatics, Home science, Computer science and Physical Education

SUBJECTS FOR ARTS : General English, Alt. English, Manipuri, Elective Manipuri, Sociology, Eduation, Pol.Science, Geography, History, Economics, Mathematics

REQUIRED DOCUMENTS FOR REGISTRATION : OROGINAL ADMITCARD + 2 RECENT PASSPORT PHOTO LAST DATE : 31 May for CBSE (Other)

ADMISSION FORM AND PROSPECTUS AND REGISTRATION FORM OF ENTRANCE TEST CAN BE COLLECTED FROM SCHOOL OFFICE DURING OFFICE HOURE( 10AM –2PM) EXCEPT SUNDAY ON OR BEFORE 5th June

** 90 % and above— Free admission + Free school Fee + Free coaching Fee For class XI +Book grant(one time) + Scholarship

** 85 % and above—Free admission +Free School Fee + Free coaching For class XI +Book grant For XI

** 80% and above— Free Admission + 50% exemtion on school Fee + Book Grant

* 70% and above— Admission FEE ~~Rs. 16,000~~ → Rs. 5800  * 60% and above — Admission FEE ~~Rs. 16,000~~ → Rs. 10,000.

• Direct admission For 80 students below 60% under certain conditions. Remaining SEATS THROUGH ENTRANCE TEST

For details visit office of NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI 9862992105

HL-B/8131/25 Apr to 25 May

### ‘মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়দনবা হোৎনবদা মীয়ামগা পুন্না চৎমিন্নগনি’

**ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ৩ দগী হৌরগা ঙসি ফাওবা চত্থরক্লিবা মণিপুরদা থোক্লিবা পামদবা থৌদোক অসিনা অপুনবগী শক্তম কায়রক্লুবা হোৎনবদা মীয়ামগা লোয়ননা পুন্না মাঙ থাদুনা চৎমিন্নগনি হায়না সোসল ৱেলফিয়র অমদি লেবর মিনিষ্টর হৈখাম দিঙ্গোনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি চীফ মিনিষ্টরগী দরবার হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্না মখা তানা হায়, মহাক্কী কেন্দ্র মনুং চন্না লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীচম মীয়ামদা খুৎ থাদুনা অমদি য়ুম কৈ কয়া মৈ থাবা, মীশি মীনা ফাওবা য়াওহল্লকপা থৌওং অসি মহাক্না য়াম্না কন্না থম্মোয় শোক্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা হৌজিক ফাওবা মীওই অনী থীবা খঙদনা লৈরি।

অৱাবা নঙলবা মীয়ামদা মহাক্কী মায়কৈদগীসু অঙন্বা মতেং পাঙদুনা হোৎনবা য়াবা থবক পায়খৎলি। মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিলহন্নবা হোৎনবদা লমদম অসিদা খু দামিন্নরিবা কাঙলূপ, ফুরুপশিংনসু অঙন্বা মতেং পাঙনদুনা থম্মোয় শেংনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম ঙাক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

লমদম অসিদা চহী চা কয়া নুংশি চান্ননা পুন্না লৈমিন্নরক্লিবা মীওইশিংগী মরক্তা কুকি মিলিটেন্ট খরনা হন্দক মণিপুর থুগায়নবা চত্থরক্লিবা থৌওং অসি তরাইনা লৌদে। মসিদা মীয়াম অমদি মহাক মশামক্লসু অৱা অনা তারবা মীওইশিংদা অঙন্বা মতেং পাঙবীদুনা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিলহন্নবা হোৎনবদা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নসি। হৌজিক মীওই কয়া অহিং, নুংথিল তুম্বা চাবা খঙদনা থৱায় খুবাক্তা হাপ্পুনা লাম্থেংনরিবা অসিদা ইশা ঙাকথোকচনবা অমদি শোক্তনবসু হোৎনবীয়ু। অথুবদা মণিপুর লৈঙাক অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কুকি মিলিটেন্টশিংবু লাকশিন্ননবা হোৎনদুনা মণিপুর লৈমায়দগী ফত্তবা মীওইশিং অসি পুন্না মুখৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।